# পি এল এদগী খুৎলাই ময়াম ফাগৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মার্চ ১২ :* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী উখোংশাংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কম্মান্দোনা চথখিবা ওপরেসন অমদা আইন্না থিংখ্রবা আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী পি এল এগী সিম্পেথাইজর অমা ফাগৎলবা মতুং পি এল এনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা একে রাইফল অমা য়াওনা নোংমৈ মঙা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ২০ অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৬৮৬ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ওপরেসন্দা ফাগৎলকখিবা য়াল্লবা খুৎলাই অদু ঙসি নুংথিল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরসকী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগী মমাংদা পুথোক্লদুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী সেনিয়র এস পি ক্লে খোংসাই (আই পি এস) না হায়, উখোংশাংগী এরিয়াদা খুৎলাই পায়বা পি এল এগী কাদরশিং লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কম্মান্দোনা চথখিবা ওপরেসন অমদা য়াল্লবা খুৎলাইশিং অসি ফাগৎপা ঙল্লকখিবনি। ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা চথখিবা ওপরেসন অদুদা উখোংশাং খুন্বোম লৈরক্তগী আর পি এফ / পি এল এগী সেম্পিথাইজর অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা থোকচোম বিরেন সিংহ (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা অমুমচা কৌই।

মহাক মশা য়াওনা পাউমীশিংগী মমাংদা পুথোক্লদুনা এস এস পিনা মখা তানা হায়, ফারবা বিরেননা ফোংদোরকপদগী মহাক্কী ময়ুমদগী একে ৫৬ রাইফলস অমা, মসিগী মেগজিন অহুম অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭৯ রিকোভর তৌবা ঙমখি।

মহাকপু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুং পি এল এনা উখোংশাংগী লৌবুক্তা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা নাইন এম এমগী পিষ্টোল মরি, মসিগী মগজিন, মসিগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০০, দিটোনেটরগা লোয়নরিবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ২০, এম-১৬ রাইফলসকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৭১, একে রাইফলসকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৩২ অমসুং ৭.৬২ গী কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি রিকোভর তৌবা ঙমখি।

উখোংশাং এরিয়া য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খরদা হন্দক মরক পি এল এশিং মথি ফোংলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিনা চথরকপা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনগী মনুং চন্না সিম্পেথাইজর য়াওনা য়াল্লবা খুৎলাইশিং অসি ফাগৎলকখিবনি। মখা তানা ওপরেসন চথখিগনি হায়না সেনিয়র এস পি খোংশাইনা ফোংদোরক্লি।